HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ক্যামগে খোইরোম লৈকায়দা লৈবা গ্রোসরিগী দুকান অমা হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুংদা মৈনা তুম্না চাকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ওইহৌরিবা ফিভম



লামায় ১

বি জে পি ককচিং মন্দলনা শীন্দুনা ককচিং মখা লৌদা লৈবা বি জে পিগী হান্নগী মীরেপ ওইখিবা এম রামেশ্বরগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যাগী ১০৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম



লামায় ৬

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভেলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) গী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নিংথৌজম দিটেনগী মীৎয়েং মখাদা ককময়ায়গী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চানা-থক্নবা তেংবাংখিবা





বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা কম্মিটি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যাগী ১০৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা



লামায় ২

Vol. 44, Issue No.181 | থাংজ, মেরাগী ১০ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, September 26, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## ‘শেন্দোই শেল্লেপ খোম্বা য়ারোই’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়ামনা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরকপগা লোয়ননা অৱাং খুনৌসু লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখিবা মরম্না খুঙ্গং অসিদা কনাগুম্বা ফাইনান্সিয়ল কম্পেনি অমদি মরুপ/লোট্টরি তৌরিবশিংনা শেলহুন, শেন্দোই অমদি শেল্লেপ লৌবা নৎত্রগা খোম্বা য়ারোই। মীয়াম্না ৱানরিবা মতম অসিদা অসিগুম্বা থবক অসি তৌবিগনু হায়না অৱাং খুনৌ য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিয়সন অমদি নুপী চাওখৎ খোঙথাং লুপ অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## রামেশ্বরবু ভাইস চ্যের্মেন ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :



কৈরাও এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরবু ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দ, মণিপুরগী দেপ্যুটি চ্যের্মেন ওইনা খনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমনা এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরবু ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দ, মণিপুরগী দেপ্যুটি চ্যের্মেন ওইনা খনখিবনি।

## দুকান অমা মৈনা তুম্না চাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) : কৈরাও এ সীগী মনুং চনবা ক্যামগৈ খোইরোম লৈকায়দা হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং অয়ুক পুঙ ১.৩০ রোম তারকপদা গ্রোসরি দুকান অমা মৈনা তুম্না চাকখ্রে। দুকান অসিগী মপুনা ক্যামগৈ খোইরোম লৈকায়দগী ওইনাম রাজেন (৫৮) কৌই।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ও রাজেননা ফোঙদোরকপদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা হান্নগুম্না দুকান থোঙ লোনশিল্লম্লগা য়ুমদা চঙলকখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ১

**HL Poll**

Q: Minister Reshuffle toukhraba matung asida NPP na BJP na luchingba leingak asi sougatpa thokkhragani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Minister Reshuffle toukhiba asina BJP na luchingba chungsinnaba leingak asi henna mara chetsillaklagani haibagi thajaba leibra?

Yes 11% No 89%

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৮৮ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৩৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.৬২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অস! লোইরেহে!**

- ময়াম মথৎ মথৎ থবক হাপথরগদবনি...



- হায়দোকখিবা ৱাফমসিমতংদি ঙাক্লা চৎপিয়ুকো!

# মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম সেপ্টেম্বর ২৯দা লাউথোক্লবা য়াই





ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী লোক সভা অমা অমসুং এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সি ৬৪গী হাঙদুনা লৈরিবা শিটশিং মেনশিন্নবগীদমক মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম সেপ্টেম্বর ২৯দা লাউথোক্লবা য়াই হায়রি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ঙসি বিহার এসেমব্লি মীখল ওক্টোবর ২৮দগী নবেম্বর ৭ ফাওবদা তাঙ্কক অহুম্লক থোক্লা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অদুমকপু তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সি ৬৪ অমদি লোক সভাগী হাঙদুনা লৈরিবা শিট অমা মেনশিন্নবগীদমক মরক্কী মীখল পাঙথোক্লবা মতমদি হৌজিকফাওবগী ওইনা লাউথোকপা লৈত্রি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ঈ সী আইগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সুনিল অরোরানা হায়খি, মেম্বর ২৪৩ লৈবা বিহার এসেমব্লিগী মীখল অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ২৮ নবেম্বর ৩ অমসুং নবেম্বর ৭তা তাঙ্কক অহুম থোক্লা পাঙথোক্লগনি। অদুগা মীখল অসিগী ভোট মশিং থীবগী থবক্লা নবেম্বর ১০দা চথগনি। বিহার এসেমব্লি মীখল অসি কোভিদ-১৯ মরক্তা মালেমসিদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাউবা মীখল অমসু ওইগদৌরি। ওক্টোবর ২৮দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সি ৭১, নবেম্বর ৩দা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সি ৯৪ অমসুং নবেম্বর ৭তা অহুমশুবা ফেজগী ওইনা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সি ৭৮দা মীখল পাঙথোক্কদৌরি। মীখল অসিগীদমক হেন্দ সেনিটাইজর লাখ ৭, ফেস মাস্ক লাখ ৪৬, পি পি ঈ কিট লাখ ৬, ফেস শিল্ড লাখ ৬.৭ অমসুং হেন্দ গ্লোব লাখ ২৩ থৌরাং তৌদুনা থল্লে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সি ৬৪ অমদি লোক সভাগী শিট অমা মেনশিন্নবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট খরগী মায়কৈদগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতমগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফমশিং সেপ্টেম্বর ২৯দা মীফম অমা পাঙথোক্লগা খন্নরগনি। লোয়ননা ঈ সী আইনা মরক্কী মীখলগী মতাংদা ফিরেপ অমসু লৌরগনি হায়রি।

# এন পি পিগী এম এল এ ৪ কোনরাদ সংমা উনরুনবা ঙসি শিল্লোংদা চৎকদৌরি









ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদগী এন পি পিগী মিনিষ্টর ২ লৌথোরকখ্রবা মতুংদা এন পি পিগী এম এল এ মরিনা পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কোনরাদ সংমাগা উনরুনবা হয়েং শিল্লোংদা চৎকদৌরি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্সতগী এন পি পিগী এম এল এ লাংপোক্লাকপম জয়ন্তকুমার অমসুং এম এল এ এন কাইসিবু মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোরকখিবা অসিদা এন পি পিগী ওইনা চাউনা পেন্দবা লৈরে। এন পি পিগী মিনিষ্টর অনী লৌথোকখ্রবা মতুং অসিদা পার্টি অসিনা মখা তানা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎলরোইদ্রা হায়বগী ফিরেপ লৌনবগীদমক এন পি পিগী এম এল এ ৪ পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমাগা উনরুরনবা হয়েং শিল্লোংদা চৎকদৌরিবনি। এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমাগা উন্নরবা মতুং এম এল এ ৪না ইম্ফালদা হল্লক্লগা এন পি পিগী ওইবা ফিরেপসু লাউথোক্কনি হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী পাউ অসিনা মখা তারি।

পনবা য়াবদি মতম খরগী মমাঙদা এন পি পিগী এম এল এ ৪না মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌরগা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা শৌগৎপা তোক্কুনা কোংগ্রেস পার্টিগা মতম খরা পুন্না চৎমিন্নরুরবনি। মতম অদুদা এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমা অমসুং নোর্থ ইষ্ট দিমোক্রেটিক এল্লায়ন্স (নেদা) গী কনভিনর হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মা ইম্ফালদা লাক্লগা এন পি পিগী এম এল এ ৪বু দিল্লিদা পুদুনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদাগা উনরুরবা মতুং ইম্ফালদা হল্লক্লগা এন পি পিগী এম এল এ ৪না লৈঙাক অসিদা অমুক হন্না শৌগৎহনখিবনি।

এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানা ইম্ফালদা লাক্লমখিবা মতমদসু এন পি পিগী এম এল এ ৪ অসি মিনিষ্টর অদুম্মক ওইখিগনি হায়না ফোঙদোক্লমখিবনি। অদুবু মতম খরগী মতুং ঙরাং লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর রিসফল তৌরকপা অসিদা এন পি পিগী মিনিষ্টর ২ য়াওরকখিদবা অসিনা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা এন পি পি অমসুং বি জে পিগী মরী তৎনরকপা য়াবগী ফিভম অমদা লাকখিবনি।

## আই পি এস, এম পি এস ওফিসর ১৫গী ফমশিং হোংদোক্লহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী অন্দর সেক্রেটরি (দিপি) না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মণিপুর পুলিস দির্পাটমেন্টকী আই পি এস/এম পি এস ওফিসর ১৫গী ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না এম পি টি সিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর পি জৌলুংমোন সিংসিট, আই পি এসনা এস পি/কাংপোকপি ওইরগনি অদুগা এস পি/কাংপোকপি ওইরম্বা পি ঐচ মহেস নরায়ন আই পি এসনা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর, এম পি টি সি, বিষ্ণুপুরগী এদিসনল এস পি (ৱেষ্ট), কে এস ঐচ শিবকান্ত, আই পি এসনা সি ও ৫শুবা এম আর, ৫শুবা আই আর বিগী ইন-চার্জ সি ও এস ঐচ জ গেশোরনা ১০শুবা আই আর বিগী সি ও-ইন-চার্জ, রাসিনি য়েঙ্খোম, দেপ্যুতি সেক্রেটরি (হোম) অমসুং ইন-চার্জ এস পি/এস আই টি অমদিং সিক্যুরিটি ওফিসর (মণিপুর সেক্রেটরিএটৱ না ৮শুবা আই আর বিগী সি ও-ইন-চার্জ, ৫শুবা এম আরগী ইন-চার্জ সি ও এমদি জেককিরউদ্দিননা ৬শুবা এম আরগী সি ও-ইন-চার্জ, ১০শুবা আই আর বিগী ইন-চার্জ সি ও আর কে মানবিন্দুনা ৫শুবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## পুং ২৪গী মনুংদা নুপী অমা লৈখিদ্রে, মীওই ২৫৪ নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী নুপী অমসু লৈখিদ্রে। মীওই ২৫৪ নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৫৫ শুরবী নুপী অমা রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশিং পুন্না ৬৩ শুখ্রে। পুং ২৪ অসিগী মনুংদা মীওই ২৩৩ না লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলক্কুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা নুপী ৮২ অমসুং নুপা ১১৪ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৯৬ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পসর্নেল ৫৮ পুন্না মীওই ২৫৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ৬২, জেনিমসতা ৫০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৬৩, উখ্রুলদা ২, রাজ মেদিসিটিদা ৫, থৌবালদা ৬, শিজ হোস্পিটালদা ৭, মাইপাকপী হোস্পিটালদা ১, তেংনৌপলদা ৭, চুরাচান্দপুরদা ১১, ইম্ফাল ইষ্টতা ২, তমেংলোংদা ৬, বিষ্ণুপুরদা ৩, কাংপোকপীদা ২, ইবোয়াইমা হোস্পিটালদা ১, সী এম সী কোইরেঙ্গৈদা ১, হিল সাইদ হোস্পিটালদা ১, এদভান্স হোস্পিটালদা ১, ববিনা দাইগ্নে ষ্টিক্সতা ১১ অমসুং ককচিংদা ১২ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১২৭, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৩, চুরাচান্দপুরদগী ১১, বিষ্ণুপুরদগী ৫, থৌবালদগী ১২, ককচিংদগী ১২, কাংপোকপীদগী ১, তেংনৌপলদগী ৭, তমেংলোংদগী ৭ অমসুং উখ্রুলদগী ২নি। বিষ্ণুপুরদগী ১ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টদগী ১ পুন্না

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সেন্ট্রেল লিদরশিংগা তানরগা ৱারেপ লৌগনি: করাম শ্যাম

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্টর রিসফল তৌখ্রবা মতুং অসিদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসিগা মরী লৈননা করি তৌগদগে হায়বদু এল জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংগা তানরগা ৱারেপ লৌগনি হায়না এক্স মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

চজিং মাইরেনখোংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা লংথবাল এ সীগী মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা কঞ্জুমর এফেয়র্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী হান্নগী মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা মতুংদা মহাকপু থাজবা অমদি নুংশিবা মীয়াম্না করিগীদমক মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোরক্লিবনো হায়বা ৱাহং ময়াম অমা লাকপদগী তঙাইফদনা মীয়ামদা ৱাফম কয়া খঙহন্নবা হোৎনবনি। হৌজিক পাল্লিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি হেক হৌরকপদগী মরা চেৎপা লৈঙাক অমা ওইদ্রবদি ষ্টেট অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা অপনবা কয়া থোক্কনি হায়দুনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। লৈঙাক অসি শেম্নবা হোৎরনকপা মতমদা সেন্তরদগী লাকপা লুচিংবশিংদসু এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইহনবা ফগনি হায়না ওপিনিয়ন পীখি। কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী হৌজিক হৌজিক দেপ্যুটি সী এম ওইরিবা ৱাই জয়কুমারদা সী

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## লো দিপার্টমেন্টতা ফন্দ লৈতবদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কোর্টকী ক্বার্টরশিং পীবা ঙম্লোই হায়রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২৫০ রোম লাপ্পা লৈরিবা জিরিবামনা মপুং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইদ্রিঙৈ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সব-দিভিজন অমা ওইনা লৈরিঙৈ হৌখিবা কুমজা ২০১৪দগী হৌনা মফমসিদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অমা থম্বীনবা তক্নদুনা লাক্লবসু হৌজিক ফাওবদা হায়রিবা কোর্ট অসি হাঙদোকপদা মসিগী জজ, পব্লিক প্রোজিক্যুটর অমদি অতৈ ষ্টাফশিংগী লৈনবা ক্বার্টর লৈঙাক্কী লো দিপার্টমেন্টনা পীবা ঙমদবনা হাঙদোক্লোইদবগী ফিভমদা লৈরে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা লৈখিদা ষ্টেটসিগী লৈঙাক্কী মতমদগী হৌরক্কুনা হৌজিক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ওফিস ফাওবদা মেম্মরেন্দমশিং লেপ্তুনা পীশিন্দুনা জিরিবামদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অমা লৈহনবিনবা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

দিষ্ট্রিক্টসিদা মশাগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অমা লৈজনবগী মতাংদা পাউচেসিনা ফংবা ওফিসল দোক্যুমেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইবা রিপোর্টশিংনা হায়বদা জিরিবামদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট হাংদোকপদা তঙাইফদনা চঙলিবা কোর্টকী ষ্টফশিংগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেক্রেটরি (লো) না দিষ্ট্রিক্টসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা ওফিসল ওইবা চেরোল অমা ওইনা থারম্লে। লো সেক্রেটরিগী চেরোল অদু থা অসিগী ১৬তা থাবনি।

চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লিবনা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস (পি এম ও), ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টর (লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়র্স) গী এদাভইসশিংগী মতুং ইন্না লো দিপার্টমেন্টনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগা তানরগা জিরিবামদা এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজগী কোর্ট অমা হাংদোক্লবা খন্নরি হায়রি।

মসিগীদমক অনৌবা কোর্ট অসি হাংদোকপদা মসিগী জজ, পব্লিক প্রোজিক্যুটিরশিং অমসুং ওফিসল/ষ্টাফশিং লৈনবগীদমক দরকার লৈরিবা ক্বার্টরশিং অদুনা এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজগী ভী আই পি ক্বার্টর-১, পব্লিক প্রোজিক্যুটর/এদিসনল পব্লিক

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## নেমচা কিপগেনবু মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ফোটো মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা নাইতোম নুপী মিনিষ্টর ওইরকখিবা কাংপোকপী এ সীগী এম এল এ নেমচা কিপগেনবু মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখিবা লৈঙাক্কী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি কাংপোকপীদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ফোটো মৈ থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।





কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা ৱিমেন মার্কেটতা চথখিবা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা চীফ মিনিষ্টরনা নেমচা পিকগেনবু মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখিবা অসি ৱিমেন ইমপাৱরমেন্টপু খোঙ্গোইনবনি হায়না খোঙদোকখি। খোঙজঙ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ৱিমেন ইমপাৱরমেন্টকী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লিবা অসিদি টেবলখক্তদা ওইরম্লে। মসিগী খুদম হায়ববু লৈঙাক অসি পায়বদা য়াওরম্বা নাইতোম নুপী মিনিষ্টর অমবু লৌথোকখিবা অসিনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পি এল এগী ৪২শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ : পিপল’স লিবরেসন আর্মিগী জেনরেল হেদক্বার্টর, টেক্টিকেল কম্মান্দ, ষ্ট্রেটেজিক কম্মান্দ, ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়ন, অতৈ লানমীগী য়ুনিৎ, দিপার্টমেন্ট, ষ্টেসনশিং লোয়ননা পার্টিগী সেন্ট্রেল ব্যুরো, এস আর-১, এস আর-২, এস আর-৩, এস আর-৪গী মফমশিংদা পার্টি অসিগী ফিরালদা ইকাইখুম্নবা উৎপা অমদি ঈমা লৈবাক নীংতম্ন বগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা ইকাইখুম্নবা উত্তুনা পি এল এগী ৪২শুবা মপোক কুমওন থৌরম হন্দক চহীগী ওইনা মালেমদা শীন-থুংনা শন্দাক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ



অসিনা মণিপুর মীয়ামদা পীরক্লিবা অৱাবা চৈথেং অসিদা শরুক য়াবা ওইনা ইচম চম্না পাঙথোকখ্রে হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা আর পি এফকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, পার্টিগী সেন্ট্রেল ব্যুরোগী মখাদা লৈরিবা দিভিজন ২, ৪, ৬, ৮, ১০ গী মফমশিংদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্না লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা ষ্টার য়াওবা ফেষ্টুন অমদি পি এল এগী অঙাঙবা থৱানমিচাকশিং থেৎতুনা মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা ৪২শুবা পি এল এগী মপোক কুমওন পাঙথোকখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর মীয়ামগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম লাঞ্জঙ অসিদা মাঙজিন থানা থ ৱায় কথোক্কুনা লাক্লবা মীয়ামগী নীংতম লানমী পিপল’স লিবরেসন আর্মিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## শগোলশেম অচৌববু চ্যের্মেন ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : ৱাঙ্গোইদগী শগোলশেম অচৌববু মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চ্যের্মেন ওইনা খনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী কম্মিস্নর আর কে দিনেসনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমনা শগোলশেম অচৌববু খুদক্তগী মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চ্যের্মেন ওইনা খল্লে। ওর্দর অসি মখা তানা অতোপ্পা ওর্দর অমা থোক্লিফাওবা চৎনগনি হায়রি।

## জোয়া সাপমনা আইৱা মিস ইন্দিয়া ২০২০গী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা ভরচ্যুল পেজেন্ট ওইনা পাঙথোকখিবা আইৱা মিস ইন্দিয়া ২০২০দা জোয়া সাপমনা ৱিনর ওইরক্কুনা মণিপুরগী অহানবা আইৱা মিস ইন্দিয়া ওইখ্রে হায়রি। ভরচ্যুল পেজেন্ট অদু সেপ্টেম্বর ১০দগী ২০ ফাওবা পাঙথোকখিবনি। পেজেন্ট অসিদা জোয়া সাপমনা ৱিনর ওইরকপা খক নত্তনা তোঙন-তোঙানবা সবটাইটলশিং, আইৱা মিস কেট



ৱাক, আইৱা মিস ফোটোজেনিককী টাইটলসু লৌরকখি। বি এ আর্টসতা তম্লিবী মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইহিরবী জোয়া সাপম খোংজোম সাপম ময়াই লৈকায়দা লৈবা রাজেন সাপম অমসুং উলফৎ চিষ্টি সাপমগী অনীশুবী মচানুপীনি। মহাক হৌজিক-হৌজিকক্লা গেম ভিলেজ জোন-৪ লম্ফেলদা লৈরি। জোয়া মমাংদসু সন্সিলক মেগা মিস নোর্থ ইষ্টতা বিয়ুটিফুল ফেস ২০১৯ অমসুং আইৱা সুপর মোদেল মীদিয়া আইকোন ২০২০গী টাইটলসু লৌখ্রে হায়রি।